লমায় ১ গী মখা

## রোহিংয়ানি খঙলবা মীওই অমবু হিন্দুনি হায়না শক্তাক্লন্লে...

ডা. বিআর অম্বেদকারনা থেংনরকপা অৱাবা কয়া অদুনা কন্সটিট্যুসন ইবা মতমদা অশোনবগীসু, অতোনবা জাতিগীসু অৱাংবা থাক্কীসু অপুনবা ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলগা কন্সটিট্যুসন ইরমখিবনি।

মহাক্না য়াম্না ৱানা খাঙখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসিদি ইন্দিয়াগী ওইনদি নুংঙাইবা ওইরে। মহাক্না কংগ্রেস অমসুং মহাত্মা গান্ধিগী শোক্লবা শম্নবা য়াদবা কাষ্টশিংবু হরিজন হায়না কৌবদা ডা. অম্বেদকারনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হরিজন্না সমাজগী অচৌবা কাঙলুপশিংগা খেন্নবা করিসু লৈতে হায়না মহাক্না হায়খি। মসিনা খুন্নাই অসিদা চাউনা খায়দোক্লবগী ফিভম অমা লাকহনখিদবা নত্তে।

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা অমগা অমগা থাজনদবা কয়া লৈরিবা অসিগুম্বা ৱাখল কয়াদগী ওইরকখিবনি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা হৌখিবা চহি ১ অসিদা চীং তম, মুস্লিম অমসুং হিন্দু, জাতি কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা লৈনরম্বা ভাব তান্নদবা কয়া কোকহনবা ঙমখ্রে।

ইং ২০০২ দা ঐখোয় অমত্তা ওইনা লৈমিন্ননবা এসেমব্লিদা প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন লৌখিবা অদু হৌখিবা চহি অমা অসিদা মীয়াম্না উবিরিবা অসিনি।

প্রজাগী অপাম্বা অসি হৌখিবা চহি ১৫ রোম অসি লাওদুনা লাকপা অদু গভর্ণমেন্টনা থবক্তা অপাম্বা অদু ওন্থোকপা মতম ওইরে। করি তৌসিগে হায়বদু থবক ওইনা ওন্থোকপা মতম ওইরে হায়খি।

হৌজিক বজেট লৈরে, প্লান, পোলিসি লৈরে। মরম অদুনা দরকার লৈবা মীওইশিং অদুদা দরকার লৈরিবা অদু ফংহন্নবা হোৎনবা মতম ওইরে। মদুতদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুদা ৱার্ক্স, আই পি আর, আর দি এন্দ পি আর, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিং অসি মীয়ামদা মপুং ফানা খঙহনবা দরকার লৈ।

প্রোগ্রামশিং অসি দিষ্ট্রিক্টশিংগী দি সিশিংগী খুথাংদা পায়খৎপা ওইবনা স্কিমশিং অসি গ্রাসরুটকী থাক্তা করম্না য়ৌহনগদগে হায়বসি খন্থবা মতম ওইরে হায়খি।

মহাক্না হায়, লমদম অসিদা হৌখিবা চহি অমা অসিদা কয়া য়াম্না অহোংবা পুরক্লবগে হায়বসি মীয়ামদা খঙহনবা দরকার ওই। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা অসি মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবদা পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংনা হেন্না থৌদাং লৌবা দরকার ওইগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা শাগৎলিবা ৱাখল্লোন অসি থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা থুংহনসি হায়রবদি মীয়াম চপ মান্ননা ফিরেপ লৌবা দরকার লৈ হায়খি। স্কিম কয়াগী খুদোংচাবশিং দরকার লৈবা বেনিফিসিয়ারিশিংদা শোয়দনা ফংহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা মিদাগী ভাইস চেয়ারমেন ও লুখোই, এম এল এশিং ঙমথং হাউকিপ অমসুং এল সুসিন্দ্রো, চীফ সেক্রেটরি, ওফিসিয়েলশিংশু শরুক য়াখি।

## কংগ্রেসনা স্পের্ট য়ুনিভর্সিটি বিল পাস তৌবা...

রাজনিতিগী মীৎয়েংদা য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি হায়নসু ও ইবোবিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা কংগ্রেস সরকার লৈরিঙৈ মতমদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌবিনবা হায়জদুনা লাকখিবনি লোয়নন্না য়ুনিভর্সিটি কেম্পস শেমগৎ শাগৎপদা মতম চঙগদবনা একাদেমিক সেসন মতম খরগী ওইনা সাই কমপ্লেক্স তাকয়েল পাৎ নৎত্রগা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংনবা হোৎনখিবনি। অদুবু চহী ৪ রোম তুমিন্না লৈশিল্লুরবা তুংদা হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টতা বিল পুথোকখ্রবসু কংগ্রেসতা মরাল থংজিন্দুনা পাস তৌবা ঙমদবনি হায়বসিদি মীয়ামদা অপঙবা শীবনি লৌই হায়নসু ও ইবোবিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ডা. বি আর অম্বেদকরনা লৈবাক অসিগীদমক অমদি শোখনা লৈরবা কাংলুপপু মান্নবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাং কয়াসু নৌহৌননা নীংশিংখি। থৌরম অদুদা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, এম এল এ অমদি অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। ডা. বি আর অম্বেদকরগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা কোক নোনখি।

অতোপ্পা অমনা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি ইম্ফালনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অকাম্পাৎতা লৈবা ইন্সটিট্যুট অসিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি লৈবাক অসিগী অহানবা লো মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. বি আর অম্বেদকরগী ১২৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এন আই সি মণিপুরগী কে ঐচ রাজেননা অথোইবা মীথুংলেন, ইন্সটিট্যুট অসিগী একজিক্যুটিব দাইরেক্টর টি ঐচ প্রমেশ্বরনা থৌরম মপু অদুগা সঙ্ঘপ্রচার মণিপুরগী এম এম অসোকাননা ইকায়খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোই অমসুং ওজাশিং য়াওনা ডা. বি আর অম্বেদকরগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

## কোর্পোরেসন অমসুং কাউন্সিলশিংগী অহাংবা পোষ্টশিং...

মীফম অসিদা হাংদুনা লৈরিবা পোষ্টশিং অসি লৌনবা ৱারেপ অমা লৌরগনি। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিং অসি মায় পাক্না পাঙথোকপদা ষ্টাফশিং মপুং ফানা থম্বা দরকার লৈ হায়খি।

ককচিং বজারগী হাংদুনা লৈরিবা মফম অদুদা নুপীশিংগী কৈথেল অমা শানবা মীয়াম্না পুখৎলকপা ৱাফমগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, অথুবা মতমদা মদুগী মফম অদু মহাক্না য়েংশিল্লগনি। হৌজিক লৈরিবা কৈথেল অসিদা চিল্লিবা অসি য়েংলগা মহাক্না হায়, হায়রিবা লম অদুদা চয়েৎনবা লৈব্রা হায়বদু মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগা তান্নরগনি।

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ দিভলপমেন্টকী স্কিল অমসুং অনস্কিল লেবরশিংগী পীথোক্তুনা লৈরিবা ওনরেরিয়ম অদু পীথোক্লবা মহাক্না য়েংশিনগনি। লোয়নন্না অর্বান লোকেল বোদিশিংনা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টকা তান্নরগা অসিগুম্বা ইশুশিং অসি নিংথিনা লোইশিন্নবা হোৎনবা খঙহনখি।

লমদম অসিদা উ থাবগী দ্রাইভ অসি মপুং ফানা পায়খৎপা য়ানবা ফন্দ মতিক চানা লৈ হায়রবদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ইলেক্টেদ মেম্বরশিং, মহৈরোইশিং অমসুং ষ্টেক হোল্ডরশিংনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা উ পাম্বী থাবগী দ্রাইভতা মতেং পাঙবীদুনা ষ্টেট অসিদা চংশিলক্লিবা অকোয়বগী ফিভম কন্নবা মিসন অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়, মতম অমগী লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংগী মীৎয়েং অমসুং ফিদম অদু খঙনা ঙসিগী মীরোলনা চৎপা তাই। ডা. বি আর অম্বেদকারগী মপোক কুমওন থৌরম অসি পাঙথোকপা অসিনা মহাক্না তৌরম্বা অফবা থবকশিং অদু ঙসিগী মীরোলদা নিংশিংহনবতা নত্তনা কাওথোকপা ঙমদনা লৈহৌরগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মনিদকো অমসুং মনিত্রোনগী চেয়ারমেন ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, চেয়ারপার্সন কে এম সি এন সঞ্জিৎকুমার, দি সি ককচিং নৈলেম্থাং তেলিয়েন, এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েঙ্খোম, ইলেক্টেদ মেম্বরশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

## মণিপুরদসু শন্দোকন্দবা লায়না মখল মঙা লৈ-লৈতে...

ঐখোয়না চাং নাইনা হকচাংশিং চেক অপ তৌরবদি মদুনা পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি।

হুমাং তাবা থবক শুবগী চাং ৱাৎপা, ফম্লগা থবক শুবনা অয়াম্বা থবক ওইরকপদগী ঙসিদি ইন্দিয়াদা দাইবেটিসনা নাবগী চাং ৱাংলকপনি। হকচাং নিংথিনা চেক অপ তৌদুনা লায়না তিলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরসি হায়না ডা. রাজোনা মখা তাখি।

ঙসি হৌদোক্লিবা স্কৃনিং অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা নোংপোক সেকমাই সি ঐচ সি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা সি ঐচ সি ৱাঙ্গোয়দা রিফরেল সেন্টর ওইরগা মশাগী চহি ৩০গী মথক্তা লৈবা নুপা অমসুং নুপীশিংগী হকচাংদা অসিগুম্বা লায়না মখল মঙা অসি লৈব্রা হায়বা চেক তৌগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার এন পি সি দি সি এস ডা. য়ুমখাইবম প্রেমচন্দ্রনা হায়, অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎনবগীদমক হৌখিবা চহি ইং ২০১৭ তগী মসিগা মরি লৈনবা থবক পায়খৎকদবা আশা ৱার্করশিং, এ এন এমশিং অমসুং ডাক্তরশিংগী ওইবা ত্রেনিং পীদুনা লাক্লি।

ঙসিদগী হৌদুনা মণিপুরগী ওইনা ফিল্ডদা হকথেংননা থবক তৌবা হৌগদৌরিবনি। ইং ২০২০ গী মার্চতা লোইশিনগদবা প্রোগ্রাম অসি মায় পাক্না চংশিন্নবা শেম শারি।

স্কৃনিং অসি নোংপোক সেকমাই সি ঐচ সি অমসুং ৱাঙ্গোয় সি ঐচ সিগী মখাদা লৈবা পি ঐচ সিশিং, পি ঐচ এস শি শিং অমসুং খুঙ্গংশিংদা মফম অদুগী আশা ৱার্করশিংনা য়ুম য়ুমদা চংদুনা চহি ৩০ দগী হেল্লবা নুপা নুপীশিংদা ৱাহংশিং হংলবা মতুংদা লায়না অসি লৈ লৈতে হায়বা খঙদোক্লবগী থবক লৌখৎলক্কনি।

মসি লৌখৎলকপা মতমদা মীয়াম্না থম্মোয় শেঙনা অচুম্বা পাউখুম অদু পীবিয়ু। মদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা পোলিসি প্রোগ্রাম পায়খৎলকপদা মপুং ফানা মতেং পাঙগদৌরিবনি।

আশাশিংনা লৌবা ইনফোর্মেসন্দা স্কোর ৪ দগী হেনবা কাঙলুপকী মীওইশিং অদু এ এন এমশিংদা থাগনি। লোয়নন্না মখা তানা এ এন এমশিংনা য়েংশিল্লবা মতুংদা দাক্তরশিংদা থাগনি।

পি ঐচ সি , সি ঐচ সি অমসুং পি ঐচ এস সিশিং অসি থবক অতোপ্পসু য়াম্না পুবনা মরম ওইরগা নিংথৌকাবা নুমিৎ অসি এন সি দি দিতেক্সনগী নুমিৎ ওইনা লেপখ্রে লোয়নন্না নিংথৌকাবা অসি ছুটি ওইরবদি মথংগী নুমিত্তা এন সি দিগা মরি লৈনবা অনাবশিং লৈব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ৯দা কোলপোস্কোপী মেছিনশিং থম্নবা হোৎনরি। মসিনা সর্ভিকেসল কেন্সর খঙদোকপদা মতেং ওইগনি হায়খি। মসিগা লোয়নন্না ব্রেষ্ট অলট্রাসাউন্দ, এফ এন এ সি, বাইওপসিনচিংবা তৌনবা খুদোংচাবশিং সি ঐচ সি অনি অসিদা ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এদিস্নেল দাইরেক্টর পব্লিক হেল্থ ডা. কে ঐচ সসিকুমার মঙাংনা ইকাই খুম্নবা মীথুং অমসুং ডা. ঐচ কুলা সিংহ সি এম ও ইম্ফাল ৱেষ্টনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা দাইরেক্টরনা এ এন এমশিংদা তেব্লেটশিং য়েন্থোকখি। লোয়নন্না পোপুলেসন বেজ স্কৃনিং হৌদোক্লে হায়না লাওথোকপগা লোয়নন্না পি বি এস আই টি এপ্লিকেসনঃ এন সি দি জি ও আই কমপ্রিহেন্সিব প্রাইমারি হেল্থ কেয়ার এন সি দি সোলুসনসু হৌদোকপগা লোয়নন্না প্রাইম মিনিষ্টরগা ভিদিও কোল্লিং তৌনদুনা ৱারি শান্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

## শক্তাকচে য়াওদনা চংশিল্লকপা নন লোকেল ৮...

শেন্মীৎলোন্দা পীরিবা চৈথেং কয়া অসি লৈঙাকপশিংনা খঙবীদুনা মীতোপ কয়া চংশিল্লকপা অসি থিংনবা থবক লৌখৎহন্নিংই হায়খি।

জোইন্ট কম্মিতি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমনা লমদম অসিদা ভারা শান্দোক্লিবা মীওইশিংনা শক্তাকচে য়াওদবা নন লোকেলশিং অসিবু থম্বীগনু হায়না ফোঙদোকখি। লোয়নন্না মশাগী শক্তাকচে য়াওদবা মীওই কয়া অসিনা লমদম অসিগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা চৎখ্রগা ক্রিমিনেল এক্তিভিতি কয়া চথরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মরম অসিনা আই এল পি চৎনদ্রিবা ফাওবা মখোয়শিং অসি থিংনবা আইন অমা শেম্বা দরকার লৈরে হায়খি।

মখোয়শিং অদু মশানা অসামদগীনি হায়রজবসু অসামগী লম খঙদবা, হিন্দি লোলসু খঙদবা মীওইশিং অসি মরি লৈনবা ওঠোরিতিশিংদা খুৎশিন্নখ্রগনি। লোয়নন্না জে সি আই এল পি এসনা লমদম অসিদা মফম মরাং খঙদবা মশাগী শক্তাকচে য়াওদবা নন লোকেল মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংনবা থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎখিগনি হায়না মঞ্জিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ৩৮শুবা মপোক কুমওন নুমিৎনা লাকপদা কেসিপিগী প্রসিদেন্টনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ঙরাংগী মখা...

ঐখোয়গী থাইনদগী লৈজরক্লবা ফুঙ্গা ৱারীশিং, চিনবুং ৱারী ওইনা লৈরক্লবা নাৎকী থাজনবশিং অমদি খুন্নাইগী চৎনা লোনচৎশিং অমসুং নাৎকী চৎনা লোনচৎশিং অসি লোইলম লৈঙাক্কী উচলগী ফিবান্নুং খক্তদা লোইনা হোংলক্লিবনি। ঐখোয়না তল্লিবা লাইরিক অসি ঐখোয়গী ওইজবা মওংদা মনিং তম্না চথরকপা মহৈ মশিংগী পরিং অমগী মনুংদা নত্তে। মসি পুক্লিং ৱাখলবু থমাইরগা লোই চনশিন্দুনা হোংবগী য়ুম্ফমনি। ইন্দিয়াগী লোইনশিল্লোন, পুৱারি, লামিৎলোন তম্বীবনি। ইন্দিয়াগী মহৈ মশিংগী কয়াৎ অসিদি ইন্দিয়ানশিংদা য়াম্না কান্নবা মখোয়না য়াম্না ৱাংনা অমসুং লুনা খঞ্জবশিংবু তম্বীবনি। মসি করিগীনো হায়না ৱাহং হংলুবা য়াবা নত্তে।

মসি করিনা ওইথোকহনবনো হায়বদা লোইলম শন্দোকপা মী (কোলোনাইজর) অমদি লোই চনবীরবা মী (দি কোলোনাইজ) অনীগী মরক্তা মান্নদবা মহিংগী মরী লৈবননি। লোইলম শন্দোকপা মীনা লোই চনবীরবা মীদগী মঙম লৈবা য়াম্না হেল্লি। নোলেজ হায়বা অসি মঙম (পৱার)না শেম্মী হায়ববু লোই চনবীরবা খুন্নাইগী লৌশিংগী পরিংদু মুখৎখ্রগা লোইলম শন্দাকপা মীগী লৌশিংগী পরিংনা মহুৎ শীন্দোরক্লি।

ৱাখল-পুক্লিংবু থমাইদুনা লোই চনবা হায়বসি লোইলম শন্দোকপদুগী 'পুক্লিং-ৱাখলগী ওইবা হৈনবী' অমদি মদুদা 'য়াওরিবশিং'দু খুন্নাইগী শীংলুপশিং হায়বদি ইমুং-মনুং লিশাং শীৎনা থেংনরকপা চৎনা লোনচৎশিং, মীয়াম্বু ঈ-পাউ খঙহন্দুনা তম্বীবগী মহৈ-মশিন অসিনচিংবগী খুথাংদা 'লোই চনশিনবীরবা মী' শিংদুদা নম্ফুদা হুকচিন্দুনা লৌহনবগী থৌওং অমনি।

মতাংসিদা পৌলো ফ্রেরিগী পূক্লিং ৱাখলবু লোইচনশিন্দুনা মহৈ মশিনগী মায়ওন হোংবগী য়ুম্ফম অদু য়েংবা য়াই হায়না পল্লদুনা মহাক্নদি মসিবু বেঙ্কিং মোদেল হায়নসু কৌই হায়রি। লৌশিং হায়বা লল্লোপোৎ অসিগী মপু ওইরিবা তাকপী তম্বীনবা লৈরিবা ওজাশিংনা মদুবু লৈজদবা মীওইশিং হায়বদি মহৈরোইশিংগী কোক্তা হাপচিল্লি অমদি মসিগী মওং মতৌসি কনাগুম্বগী পুক্লিং ৱাখল লোইচনশিনবগী ময়েক শেংলবা খুদমনি। ৱাখল লৌশিংগী মপু ওইবশিংনা ৱাখল লৌশিংগী মপু ওইদবশিংদা ৱাখল লৌশিং হাপচিনবনি হায়রি।

কংলৈপাক্তা য়েংলবদি ঐখোয়গী লৌশিং তানবগী পরিং অসি ইন্দিয়াগী লৌশিং তানবগী পরিংদুনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা মখোয়না পীবা লৌশিং অদু ঐখোয়না লৌবনি, মসিদা ঐখোয়না করিগুম্বা অমত্তা হংলুবা য়াবা নত্তে, ঐখোয়দা ৱাহং ফাওবা হংবগী মঙম লৈজদে, মঙম পুম্নমক মখোয়গী খুত্তা লৈ। অচুম অরান হায়বসিসু মখোয়গী মঙম্না লেপ্পনি অমদি মসিগী মওং মতৌ অসি ওজাগা মহৈরোয়গা লৈনবা মরী, হায়বদি অরৈবগা লৈতবগা লৈনবা মরীদুগা চাং দম্নবা য়াই। লৌশিং তানবগী পরিংগী মপু ওইবদুনা লৌশিংগী মপু ওইদবদুদা পীনিং পীনিংবা পীবনি, ঐখোয়বু মহাভারত্তা য়াওবা আর্জুনগী চাদা নাওদানি হায়বসি মদুগী ময়েক লারবা খুদমনি। ঐখোয়বু লম্মীৎলোন তম্বীরকপদা কংলৈপাক্তা খোংদগী থাউ থোক্তে হায়না তম্বীরকই। ইরোমদোম হিংবা ঙম্লোই হায়না কিহল্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অসুম্না কিহনখিবসি পুক্লিং ৱাখল লোইচনবগী অচৌবা খুদম অমনি। মসি মহৈ মশিনগী খুথাংদা তৌরিবনি। য়েক্তুম মনা ফাওবা হুৎপা ঙমদ্রিবা কংলৈপাক্না করম্না নীংতম্বা লৈবাক ওইবা য়াগনি হায়না ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা হঞ্জিন হঞ্জিন তাহনখিবা অদু ঐখোয়গী পুক্লিং ৱাখল লোইচনবনি হায়না পল্লদুনা ঐখোয় ইন্দিয়াগা পুনিদ্রঙৈদা করিমত্তা অৱাৎ অপা লৈতনা পাল্লম্মী হায়বা পুৱারীগী ওইবা নীংশিংবগী পাঙ্গল অদু ইন্দিয়াগী পুৱারীগী ওইবা নীংশিংবগী পাঙ্গলনা নমদনা শিন্দোকখিবদগী ঙসিদি ঐখোয়, ঐখোয় ওইদ্রে, ইন্দিয়াগী মিনাই ওইরে হায়বা ৱাফমসু থল্লি।

মিনাই ওইরবা মতুংদা কংলৈচাশিংদা পীরিবা ইন্দিয়াগী মহৈ মশিন অসি মরুওইনা মখোয়না ঐখোয়দগী লম খুদিংমক্তদা হৈবা-শিংবা হেল্লি হায়না খলহনবনি। ঐখোয়গী চাওখৎপা হায়বদি, কংলৈগী চাওখৎপা, কংলৈগী নাৎ, কংলৈগী চৎনা লোনচৎ অসি ইন্দিয়ানশিং অদুদগী থাক হন্থবনি হায়না উহল্লগা নমদুনা ঐখোয়বু মখোয়গী মতৌ তমহনবনি। মখোয়না য়াম্না ৱাংনা খনবা অমদি মমল লৈনা লৌবা ঐখোয়গদি নামুংনবা মখোয়গী লিচৎশিং অদু ঐখোয়দা হৈনবা তম্বীদুনা চৎহনবনি।

ঐখোয় ক্লাসিক ইন্দিয়ান লিটরেচর তম্মী, চানক্য তম্মী, গান্ধি তম্মী, নেহরু তম্মী, ইন্দিয়াগী নীংতম লানহৌ নৈনৈ, ইন্দিয়ান ফিলোসোফি ঐখোয়দা তম্বী, অদুবু ঐখোয়গী ফিলোসোফি, ঐখোয়গী তাইবঙপানদা য়েংবা মীৎয়েং, ঐখোয়গী ফোল্ক ৱিজদম, ঐখোয়গী পুৱারী, ঐখোয়গী লম্মীৎ তুমিৎ ঐখোয়দা তাকপীদে, তম্বীদে। মসি অরোনবা পান্দম অমগা লোয়নন্না তৌরিবনি অমদি ঐখোয়গী ওইবা লৌশিং তানবগী পরিং অদু লৌথোকখ্রগা মখোয়গীনা মহুৎ শিঞ্জিল্লিবনি। অমরোমদা হায়রগদি মসি কংলৈপাকপু ইন্দিয়ানাইজ তৌবনি, কংলৈচাশিংবু ইন্দিয়ান ওন্থোকপনি, লোয়না লোয়নন্না ঐখোয়বু ঐখোয় ওইহন্দবনি।

ঐখোয়না ঐখোয়গী ইচা ইশুশিং ইন্দিয়াগী মহৈ-মশিন তম্ফমশঙ অমদা মহৈ মশিন তম্নবা থাজিনবা হায়বসি ঐখোয়গী নাৎকী ওইবা নীংশিংবগী পাঙ্গল পুম্ববু মুখৎপীরগা ইন্দিয়াগীনা মহুৎ শীঞ্জিনবীরকউ হায়বগা চপ মান্নে।

ঐখোয়গী কোক অসি মখোয়গী ওন্থোকপনি অমদি অসুম্না ঐখোয়গী কোক্নো ঐখোয়গী ওইহনবা হায়বসি ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্লোনগী তৌদবা য়াদবা থৌশিল অমনি। মসি হেক তৌদ্রিফাওবা মখোয়না পাল্লিবা ঐখোয়গী লম্বু মখোয়গী ওইবা, ঐখোয়গী লন-থুম তুংনফম মরু পূম্বা মখোয়গী লোয়না ওইবা হায়বা শেন্মীৎলোন অমসুং লৈশেম্লোনবু লোই চনবা অসি খক মপুং ফারোইদৌরিবনি।

ওইরক্লিবা পূম্নমক অসি কনাগুম্বা লন্নাই অমগী অপাম-পামদগী ৱা নত্তে, ঐখোয়না পাম্মী হায়না ওইবসু নৎত্রি, মসি পুৱারীগী ওইবা ফিভম অমগী মহৈনি হায়না পল্লদুনা ঐখোয়না নহারোলশিংবু পংচৈ চৈবসু চুম্লোই।

মথং মথং...

লমায় ১ গী মখা

## ২১শুবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা...

ঙসি গোল্ড ফংখিবা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী অরোইবা কম্মনৱেল্‌থ গেমস ওইবা য়াবগী অচৌবা থাজবা লৈরি। অদুবু কুমজা ২০২০ দা জপানগী সিটি টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অদু য়াওবা ঙম্নবদি মহাক্কী মায়কৈদগী হনবা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## পারবুংদা পাঙথোক্কদবা জিঞ্জর...

করিগুম্বা লৈখা লম্বীদা চৎপা তারবদি পুং খরা হেন্না চঙলবসু মীয়ামগা হকথেংননা উনবগী খুদোংচাবা অদুদি লৈগনি হায়না ফেরজেল দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী পব্লিক রিলেসন সেক্রেটরী টিমোথি জেদ জোতেনা ফোঙদোরক্লি। ফেষ্টিভেল অসিদা কলচরেল শো, সেমিনার, ৱার্কসোপ অমদি ম্যুজিকেল নাইটসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

মরক অসিদা ফেষ্টিভেল অসি শরুক য়ানবা বার্ত্তন তৌরকপদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী য়াখিদবা অমত্তা লৈতে হায়না চীফ মিনিষ্টরগী মেদিয়া এদভাইজরনা ফোঙদোকখি।

## চাওখৎকে হায়রবদি পুৱারি কাউবা...

গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা হায়, আই এন এ মোইরাংসি য়াম্না মরুওইবা ইন্দিয়ান ফ্রিদম মুভমেন্টকী ইতিহাসকা থাদোকপা য়াররোইদবা মফম ওইবনা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চংদুনা নীংশিং নিংঙাই ওইহৌরগদবা মফম ওইনা শেমগৎকদবনি। লোয়নন্না পলহাদ পতেলনা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাফমসি পুথোক্লবা এম পিগী পুক্লিং চীংশিনখি।

ইবুধৌ থাংজিং লাইকোলগী ফম্নাইবশিং, ফম্নাইবীশিং, মোইরাং নিংথৌ, অখিল ভারতিয়া পুর্ব সাইনিক পরিষদ অমদি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা এক্স সার্ভিসমেন, নেতাজি বোসকী শাগৈগী মীওইশিং, মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

## ৱানা শেমগৎখিবা শান্নবুংদগী লৈবাক কোথোকপা য়ানিংদে ঃ মোইরাং বি সি সি

ইম্ফাল এপ্রিল, ১৪ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইরাং চেনগৈ লম্পাক মীয়াম্না য়াম্না ৱানা শেমগৎখিবনি অদুনা শান্নবুং ওইরিবা লম্পাক অসিদগী লৈবাক কোথোকপা য়ানিংদে হায়না মোইরাং ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মোইরাং বি সি সিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা জেনরেল সেক্রেটরী এম সরত সিংহনা হায়, মোইরাং চেনগৈ লম্পাকসি মোইরাংগী য়াম্না মরুওইবা শান্নবুংনি। কুৎপনা ঈশিং তোয়না থুম্লম্বদগী মোইরাং কেন্দ্রগী হান্নগী এম এল এ লৈখিদ্রবা এম মনিন্দ্রনা লৈবাক থোনবা হৌখিবনি। মখা তানা এম এল এ ওইখিবা এম পৃথিবীরাজনা অমুক এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লৈবাক থোনবগী থবক মখা চখখি। হৌজিকসু মখা তানা থোনবা মথৌ তারি। অদুবু চহী ১০মুক চঙনা লৈবাক থোন্দুনা তুকথরবা লৈশা তারবা শান্নবুংশিগী লৈবাকপু এম এল এ, পি সরতচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা তুরেল শেংবা অমদি তোবর্বান থোনবগী মিংদা জে সি বি শীজিন্নদুনা কোথোক্লগা তুরেল তোবর্বানদা লন্নাই মীওইশিংগীদা থোনবা য়ানিংদে। তোবর্বান শেম্বা অফবা থবক্লি, তরাম্না ওকই। তৌবতবু শান্নবুংদগী লৈবাক কোৎলগা থোনবা তৌবিগনু থোনগে হায়রবসু অতোপ্পা মফমদগী লৈবাক লৌরগা থোনবীয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়, মোইরাং কেন্দ্রগী ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারিদগী এপ্রিল ফাওবা থা ৩গী ফুদ সিক্যুরিটিগী চেঙ য়েন্দনা লৈরি। চেঙ য়েন্দ্রিবা অসি মোইরাং কেন্দ্রগী খক্তগীরা নৎত্রগা ষ্টেট পুম্বগীরা হায়না হংলদুনা কেন্দ্র অসিখক্কী ওইরবদি মিনিষ্টর অমসুং লোকেল এম এল এনা অথুবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীয়ামগী চাকথুং ফংহনবীয়ু হায়খি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বর পি ঐচ শামু সিংহ, মোইরাং বি সি সিগী থৌমী অমদি সিম্পেথাইজর কয়াসু শরুক য়াখি।

লমায় ১ গী মখা

## রিটয়ার্দ দি এস পি অমা ফারে

হিরম অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চখবা মতমদা মঞ্জিল অহমদ লাস্করনা ফোঙদোরকপদা ফাগৎলবা দ্রগশিং অদু গারী অদুদা দিউলালেন্দ কবো লৈকাইদা লৈবা এম দি অব্দুল লটিফ কৌবা মীওই অমগী য়ুমগী গেরেজদা থৌজিল্লগা মহাক অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনা হাপ্লকপনি হায়না ফোঙদোরকখি। দ্রগশিং অদু হাপ্পা মতমদা মপু অদু পুলিসনি করিগুম্বা অমত্তা পাখৎনিঙাই লৈতে হায়না থাজবা পীখি হায়না লাস্করনা হায়দোরকখি। মঞ্জিল লাস্করনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হায়রিবা মহাক্না পুরিবা দ্রগ অদু অব্দুল লটিফনা মহাক্কী য়ুমগী দোলান্দগী পুথরকপনি হায়না ফোঙদোকখি হায়খি।

পাউ অদুগী মতুংইন্না ফারবা মঞ্জিলগা লোয়নন্না এস পি নাবকী মীৎয়েং মখাদা দি এস পি নাবনা লুচিংবা টিম অমনা এম দি অব্দুল লটিফকী য়ুমদা চংশিনখি। মফম অদুদা থুংলবা মতুংদা মঞ্জিলনা য়ুম অদু মশক তাকপগা লোয়নন্না এম দি অব্দুল লটিফসু মশক তাকখি।


তুংদা নুমিদাং পুং ৮.১০ রোম তাবা মতমদা অব্দুল লটিফপু মহাক্কী দিউলালেন্দ কবো লৈকাইদা লৈবা য়ুমদগী ফাগৎপগা লোয়নন্না পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে।

এম দি অব্দুল লটিফ অসি হান্না নাবতসু এস আই ওইনা লৈরম্মী হায়না দি এস পি ব্রিন্দানা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না কেস অসিদা কনা কনা চেন্নবগে হায়বসু মখা তানা থিজিনবগী থবক চখরি। লোয়নন্না ফাগৎলবা এক্যুজ মঞ্জিল লাস্কর মখা তানা এপ্রিল ২০ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়খি।।

দ্রগশিং অদু ফোর্স ক্রুইজর গারী অদুগী চেসিসগী মমাংথংবা পাইপ অনিদা হাপ্লম্বনি হায়রি।


## মহৈরোইশিংগী খুদোল

Title : A Scenery



**K. Devish**
Class: II, Sec : C, Roll No : 50
**UNACCO SCHOOL**

Title : A Scenery




**Mutum Ritesh Singh**
Class: IV, Sec : A Roll No : 24
**UNACCO SCHOOL**

Title : A Girl



**Shristiangom**
Class: V, Sec : B, Roll No : 14
**UNACCO SCHOOL**

Title : Roger





**L.Parnat**
Class: V, Sec : C, Roll No : 29
**UNACCO SCHOOL**

Title : Baruto




**Alex Shingshing**
Class: II, Sec : A, Roll No : 14
**UNACCO SCHOOL**

Title : A house




**Bose**
Class: I, Sec : B Roll No : 23
**UNACCO SCHOOL**

Title : A boat on water




**Chinglembi**
Class: I, Sec : D, Roll No : 26
**UNACCO SCHOOL**

Title : Land Scape



**L. Bhaktipriya**
Class: I, Sec : A, Roll No : 33
**UNACCO SCHOOL**

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াউরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউঃ



[illegible]